# বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ১৬৫ শিহনখিবদা চেন্নবা টেররিষ্ট অমা ফারে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৪ (এজেন্সি): লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক কয়া থোকহন্দুনা মীওই ১৬৫ শিহনখিবদা চেন্নবনি হায়বা ইন্দিয়ন মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট অমা দিল্লি পুলিসনা ফারে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০০৮ দা বটলা হাউসতা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক মতুং তারকপদা পুলিসনা ফানবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবা অরিজ খানবু দিল্লি পুলিসকী স্পেসল সেলনা ফাখিবনি। স্পেসল সেলগী ডেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস প্রমোদ সিংহ কুসৱাহানা হায়খি, কুমজা ২০০৮ দা দিল্লিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা বোম পোকখায়হনখিবা য়াওনা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক কয়াদা চেন্নবা অরিজ খান এলিয়স জুনেদপু দিল্লি পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা ফাখিবনি। ফারবা মীওই অদু বোম শাবা অমসুং পোকখায়হনবগী থবক থৌরমদা থোইদোক-হেন্দোক্লা হৈথোই-শিংথোইরবা মীশক্তি হায়না দিল্লি পুলিসনা মমাঙদা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ২০০৮ গী সেপ্টেম্বর ১৯ দা অরিজ খান অমসুং ইন্দিয়ন মুজাহিদ্দিনগী অতোপ্পা টেররিষ্ট অমনা বটলা হাউসতা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই কয়া শিহনখি। ইনকাউন্টর স্পেসলিষ্ট হায়না খঙনবা দিল্লি পুলিসকী মোহন চান্দ শর্মাসু বটলা হাউসতা শিখিবা মীওইশিংগী মনুংদা য়াওখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৩ গী জুলাইদা ট্রায়েল কোর্ট অমনা ইন্দিয়ন মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট সাহজাদ অহমদপু পুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রবনি। ট্রায়েল কোর্টকী ৱায়েল অদুবু শীংনরদুনা থাঙ্গৎলকখিবা অপীল পীটিসন অমা হৌজিক হৌজিক হায় কোর্টনা পন্দুনা লৈরি।

বটলা হাউসতা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ১৬৫ শিহনখিবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়ন মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট অরিজ খান উত্তর প্রদেশকী টেক্নিকেল স্কুল অমদা ওজা ওইনা থবক তৌরম্মী। চহী খরা নেপালদা লোৎতুনা লৈরিঙৈদসু মহাক স্কুল অমদা ওজা ওইনা থবক তৌরম্মী। মশাগী চহী ৩২ শুরবা টেররিষ্ট অসি হিংনা নৎত্রগা শিনা ফাবা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ১৫ গী মনা পীগনি হায়না গভর্নমেন্টনা মমাঙদা লাউথোকপা লৈখ্রে।

অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী দিল্লি পুলিসকী স্পেসল টিম অমনা অরিজ খানবু ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা মফম অমদা থি-হুম্বগী থবক চথুরবা মতুংদা ফাখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি বটলা হাউসতা বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোক্কদবা মিনিট ৫ রোম ৱাৎলিঙৈদা অরিজ খান অমদি মহাক্কী কাংবুনা মীদিয়া হাউসশিংদা বোম পোকখায়হনবগী পাউ মাঙজৌননা খঙহনখিবনি। মতমদুদা মীদিয়া হাউসনা ইন্দিয়ন মুজাহিদ্দিনবু ইহান হানবা ওইনা খঙবা ঙমখি।

# লোক সভাগী মীখলদা মীৎয়েং থম্লগা বি জে পিনা রথ যাত্রা পাঙথোকপা হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৪ (এজেন্সি): কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না ঙসি জল-মিতি রথ যাত্রা পাঙথোকখ্রে। রাজঘাটতগী খোঙশানখিবা রথ যাত্রানা মরুওইবা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা মফমশিং অমসুং ঙমখৈগী শরুকশিংদা চৎতুনা ঈশিং অমদি লৈবাক লৈহাও খোমগৎলগা হবান কুন্দ ১০৮ শেমগনি হায়রি।

মার্চ থাদা চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা রাষ্ট্র রক্ষা মহাযজ্ঞদা হায়রিবা হবান কুন্দ ১০৮ অদু শীজিন্নগনি হায়না বি জে পিগী লূচিংবা অমনা ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি মদুদি মখা তানা লৈঙাক পায়নবগী পান্দমদা বি জে পিনা রথ যাত্রা পাঙথোকপা নত্তে। লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম ঙাক-শেনবগা লোয়ননা নুংঙাই য়াইফবা অমসুং ৱাত্ত-পাদবা ইন্দিয়া ওইহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, মার্চ ১৮ দগী ২৫ ফাওবা রেদ ফোর্ট মনাক্তা লাইনিংবা মীওই ১,১০০ না শরুক য়াদুনা রাষ্ট্রিয়া রক্ষা মহাযজ্ঞ পাঙথোক্লগনি। ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লান্মীশিং মুক্নবগী থৌদোক থোকখিবা ডোক্লাম, লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা লৈবা পুঞ্চ, ৱাগাহ বোর্দর অমসুং চার ধামদগী পুরকপা ঈশিং অমসুং লৈবাকশিং শীজিন্নরগা মহাযজ্ঞ পাঙথোক্কনি হায়রি।

রথ যাত্রাদা শরুক য়ারিবা মীয়াম্না লৈবাক্কী ঙমখৈ অমসুং চার ধামদা চৎতুনা ঈশিং অমদি লৈবাক লৈহাও পুরক্লগা মার্চ থাদা যজ্ঞ পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখিবনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়ানা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কিহন-খংহনবগী থৌওং চথনবগীদমক মতিক-ময়াই লৈবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা নত্তে। মালেমদা ইং-তপ্পা ফিভম পুরক্লবগীদমক তঙাইফদনা থৌরাং অসি লৌখৎপনি। মার্চ থাদা লাইনিংবা মীওই ১,১০০ না শরুক য়াদুনা যজ্ঞ পাঙথোক্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী মতিক-ময়াই হেনগৎলকপগা লোয়ননা ৱাত্ত-পাদবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙম্লগনি।

অমরোমদা, হোম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি আর্মি অমসুং অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লৈবাক্কীদমক লৌরিবা থৌদাং শীংথানিংঙাইহনি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুদুনা জুনিয়র কম্মিসন ওফিসর (জে সী ও) অনী হাৎখিবগা লোয়ননা কর্নেল থাক্কী ওফিসর অমা য়াওনা মীওই মরি অশোক-অপন নংহনখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, থৌদোক অদুগী পাউ তাবদা মীপূম খূদিংমক অৱাবা পোকখি। অদুম ওইনমক জম্মু এন্দ কাশ্মির য়াওনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা মথৌ তৌরিবা আর্মি অমদি অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী থৌনা লিংজেল শীংথানিংঙাইহনি।

সুঞ্জুৱানগী আর্মি কেম্প অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবগী মতাংদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, থৌদোক অদুগী মতাংদা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ডিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস পি বাইদদা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, টেররিষ্টশিংনা আর্মি কেম্পতা চথুরকখিবা এটেক অদুদা সুবেদার মদনলাল চৌধরি অমসুং সুবেদার মহমদ অশ্রফ মির লৈখিদ্রে হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর অব্দুল রেহমান বিরিনা ষ্টেট এসেমব্লিদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## কেজ্রিৱালনা দিল্লিদা লেম্না ৱাইফাইগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৪ (এজেন্সি):* *ন্যু দিল্লিদা আম আদমী পার্টি (এ এ পি) না লৈঙাক পায়রকপা চহী অহুম মপূং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়খ্রে মদুদি মফম অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্তা লেম্না ৱাইফাই শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।*

*সিটিগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী মতাংদা কেজ্রিৱালনা হায়খি, নুংশিৎ মোৎপা হেনগৎলকপগী মতাংদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা অথুবা মতমদা পোলুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনরি।*

*শেঙ্গা-থুমজাগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী অহুমগী মনুংদা ইন্দিয়াগী কোনুং ওইরিবা দিল্লিদা শেঙ্গা-থুমজাগা মরী লৈনবা থৌদোক থোকপগী চাং কা হেন্না হন্থরকখি। চহী অহুমগী মমাঙদা মীয়াম্না পুকচেল শেংনা মতিক চাবা পার্টি অমদা লৈঙাক থৌদা শিন্নখিবা মরম্না শেঙ্গা-থুমজাগী থৌওং থিংবা ঙমখিবনি।*

*লাক্কদৌরিবা চহী অমগী মনুংদা দিল্লি গভর্নমেন্টনা লম্বী শেম্বা অমসুং অতৈ চাউখৎ-থৌরাং কয়াদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগনি। চহী অমগী মনুংদা কোচি কোলোনিগী লম্বী শেমজিনবা লোইশিনবগা লোয়ননা ইরম-নালা পূম্নমক শেংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি।*

*হীরম অসিগী মতাংদা লেফটনেন্ট গভর্নর অনিল বাজপায়ীগা উনদুনা ৱারী শানরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা মোহলা ক্লিনিক ৯০০ অমসুং পোলিক্লিনিক ১২০ দিল্লিদা শেমগৎনবা পান্দম থল্লি।*

*পনবা য়াবদি, এ এ পি গভর্নমেন্টনা দিল্লিদা কম্মার্সিয়েল ইষ্টাব্লিসমেন্ট কয়া সীল তৌশিনবগী থৌওং লেপহন্নবা দিল্লি কোংগ্রেসকী অজয় মকেননা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎপা লৈখ্রবনি। সুপ্রীম কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা শেমখিবা কম্মিটি অমগা উনখিবদা মকেননা হৌজিক হৌজিক এ এ পি গভর্নমেন্টনা লল্লোন-ইতিক তৌফম কয়া সীল তৌশিনবগী থৌওং খুদক্তা লেপহনবীয়ু হায়না ৱাকৎখি। রাজ্য সভাগী মেম্বর নোমিনেট তৌবগী মতাংদসু এ এ পিনা সুসিল গুপ্তগী মফমদা অয়েৎপা কয়ামরুম পীরে হায়না অজয় মকেননা মমাঙদা এ এ পিবু মরাল শীবা লৈখ্রবনি।*

## এপ্রিল ১ দগী টাজ মহল য়েংবদা শেল হেন্না লৌনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে



অগ্রা, ফেব্রুৱারি ১৪ (এজেন্সি): এপ্রিল ১ দগী হৌনা টাজ মহল য়েংবগী অয়েংমল হেন্না লৌগদৌরি। গভর্নমেন্টনা মমাঙদা টাজ মহল য়েংনবগীদমক মীওই অমমমদগী লুপা ৪০ লৌরম্বা অদু লুপা ৫০ দা হেনগৎলগনি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কলচর মিনিষ্টর মহেস শর্মনা হায়খি, টাজ মহল য়েংবগী অয়েংমল হেনগৎহল্লিবসি লৈঙাক্তা শেল হেন্না লাকহন্নবগী মতাংদা লৌখৎখিবা থৌরাং নত্তে। নোংম-নোংমগী টাজ মহল য়েংবা লাকপা মীগী মশিং হেনগৎলকপা মরম্না মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লবদগী তঙাইফদনা টাজ মহল য়েংনবগী টিকেট মমল হেনগৎহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহেস শর্মনা হায়খি, তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক টাজ মহলবু তঙাইফদনা ঙাক-শেন্দুনা থম্বা মথৌ তাই। মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎলবা টাজ মহলগী ফিভম কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবদা নুমিৎ খূদিংগী মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তারি।

অদুবু মশিং য়াল্লবা মীয়াম কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা টাজ মহলগী ফিভম কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। পূম্নমক অসিগী য়েংলগা কনাগুম্বা মীওই অমনা লুপা ৫০ পীবা টিকেট অমা কল্লগা পুং ৩ দগী হেন্না টাজ মহল য়েংবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওই ওইরবদি টিকেটকী মমল লুপা ১,২৫০ ওইগনি। টিকেট কল্লগা চঙলকপা মীওই অমনা মরুওইবা মোসোলিয়ম য়েংগে হায়রবদি লুপা ২০০ পীবা টিকেট অমা অমুক নৌনা ককহল্লগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, পুৱারীগা মরী লৈনবা মোনুমেন্ট অসিগী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবগী মতাংদা করি-করম্বা থৌরাং লৌখৎলবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লবা সুপ্রীম কোর্টনা হন্দক্তা উত্তর প্রদেশ গভর্নমেন্টতা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি।

## কোচিনদা শেমজিল্লিবা জহাজদা পোকখায়খিবগী মতাংদা রিপোর্ট কৌখ্রে

কোচি, ফেব্রুৱারি ১৪ (এজেন্সি): শেমজিন-শাজিনবগী থৌরাং লৌখৎলিবা ওইল এন্দ নেচরেল গ্যেস কোর্পোরেসন (ও এন জি সী) গী জহাজ অমদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা কোচিন সিপয়ার্দ লিমিটেদ (সী এস এল) দা খঙহনখ্রে।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর সিপ্পিং পোন রাধা কৃষ্ণননা ঙসি অয়ুক সী এস এলদা চৎতুনা পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবা 'সাগর ভুষন' জহাজগী ফিভম য়েংশিনখি। সী এস এলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি মিনিষ্ট্রি ওফ সিপ্পিংনা জহাজদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা খঙহল্লম্লে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, জহাজ মনুংদা পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবা তারবসু মৈ চাকখিবগী খুদম অমত্তা থেংনদে। ষ্টেট পুলিসনা হীরম অসিদা কুপ্না থিজিল্লিবা মরম্না অথুবা মতমদা পোকখায়খিবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

ও এন জি সীগী জহাজ পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই মঙা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই তরেৎ অশোক-অপন নংখিবনি। সী এস এলগী মেনেজমেন্টনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা মতেং পাংবগী থৌরাং লৌখৎতুনা খুদক্তা এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাউথোকখিবগী থৌওংবু মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। খুদোংথীবা নংলবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা মতিক চাবা মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না সী এস এলগী চেয়রমেননা ফোঙদোকখিবনি।

## ষ্টেচ্যু ওফ য়ুনিটি মায়খুম হাংদোক্লগনি



বাদোদরা, ফেব্রুৱারি ১৪ (এজেন্সি): লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ দা ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর সরদার বলবভাই পটেলগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা গুজরাটকী বি জে পি গভর্নমেন্টনা মিটর ১৮ ৱাংবা 'ষ্টেচ্যু ওফ য়ুনিটি' মায়খুম হাংদোক্কদৌরি।

বদোদরাদগী কিলোমিটর ১০০ লাপ্পা কেবাদিয়াদা নর্মদা তুরেল মনাক নক্লা লৈবা শাধু বেটতা শাবা মীতম অসি ওক্টোবর ৩১ দা মায়খুম হাংদোক্লবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না গুজরাটকী চীফ সেক্রেটরি জে এন সিংহনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, মীতম শারিবা মফমদা ঙরাং চৎতুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা অয়াম্বা শরুক লোইশিল্লম্বা থেংনখি। লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ দা ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর সরদার বলবভাই পটেলগী মপোক নুমিৎতা শোয়দনা মায়খুম হাংদোকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী দ্রীম প্রোজেক্ট মনুং চন্না পায়খৎখিবা থৌরাং অসি কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবর ৩১ দা আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়নসু খঙনবা সরদার বলবভাই পটেলগী ১৩৮ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা উরেপ-উয়ুং তমখিবনি। মতমদুদা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর ৩০০০ চঙনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অসিগী উরেপ-উয়ুং তমখি। থৌরাং অসি পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপ (পি পি পি) দা পায়খৎপনি হায়রি।

## নিটিশ কুমারবু য়ানিংদবা ফোঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৪ (এজেন্সি): ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইতেহাদুল মুস্লিমিন (এ আই এম আই এম) পার্টিগী প্রসিদেন্ট অসাদ উদ্দিন ওৱাইসিনা হায়খ্রে মদুদি লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী কনষ্টেবল মুজাহিদ খানগী অৱাবা তারবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু বিহার গভর্নমেন্টকী মিনিষ্টর অমত্তনা উনবা লাকখিদে।

লোক সভাগী এম পি ওইরিবা ওৱাইসিনা হায়খি, বিহারগী পিরো ডিষ্ট্রিক্টতগী থৱায় থাখ্রবা সী আর পি এফকী কনষ্টেবল মুজাহিদ খানগী ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱা-অনাশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা লূচিংবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমত্তনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

ফেব্রুৱারি ১২ দা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগরদা লৈবা সী আর পি এফকী কেম্প অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপদা সী আর পি এফকী ৪৯ শুবা বট্টালিয়নগী কনষ্টেবল মুজাহিদ খান অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি। বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবা মহাক মশামক অমসুং মহাক্কী লৈঙাক্তা য়াওবা মিনিষ্টর অমত্তা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারবা লৈত্রি হায়না ওৱাইসিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। টেররিষ্ট এটেক অদুদা ইন্দিয়ন আর্মিগী জৱান অমসু শিখিবনি।

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/শেংদোকচবা

তাং ১৪/০২/২০১৮ ইং

হৌখিবা তাং ১১/০২/২০১৮ ইংগী পাউচে অসিদা হাপ্পীরকপা পি দি এসকী চেঙদা **"চিংননিংঙাই ওইবা পোৎলম থেংনরে"** হায়বগী মতাংদা শেংদোকচরি। মদুদি হায়রিবা পি দি এসকী চেঙশিং অদুদা য়াওরিবা চিংননিংঙাই ওইবা পোৎলমশিং অদু ৫/১১ অমদি ৫/১২ কী এজেন্ট ওইজরিবা ঐগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে। মরমদি চেঙশিং অদুগী পেকেটশিং অদু মেছিন্না ষ্টিচ তৌবা বেগশিং ঙাক্তা ওইবনা পেকেটশিং অদুদা করি য়ানশিল্লিবনো হায়বদু করি অমত্তা খঙদে হায়না শেংদোকচরি। লোয়ননা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অসিগুম্বা ক্বালিটি লৈতবা চেঙশিং এজেন্টশিংদা সপ্লায় তৌবীদনবা আপিল তৌজরি।

*Sd/-* **L. Ingocha Singh**
Agent - Hiyanglam Hiranmei
☎ **9612505712**

*HL-P/555/15*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 175/SDC/IW(P) of 2018***

1. Thangsabam Irabot Meetei S/o (L) Kaomacha Meetei of Patsoi Part-IV.
2. Th. Rajen Meetei S/o (L) –do– of –do–.
3. Th. Shyamkanhai Meetei S/o (L) –do– of –do–.
4. Th. ongbi Surbala Leima W/o (L) Chingthamkhomba Meetei of –do–.
5. Th. Kalakchaoba Meetei S/o (L) Iraijao of –do–.

*-Petitioners*

-Vrs-

Late Thangsabam Iraijao Singh S/o (L) Kaomacha Meetei of Patsoi Part -IV.

*-Deceased Pattadar*

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**


14/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না পাউচেগী খুৎথাংদা মরি লৈনবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: তাহশিলগী খুল নম্বর ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নম্বর ৬৪৪ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১৮০/৩২৯ গী এরিয়া ০.৪০ একর চাওবা অঙনফৌগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১), (২), (৩), (৪) অমসুং (৫) অসিনা মৃ: পাট্টাদার মনাওনুপা, ময়াম্বা অমদি মনাওনুপীগী মমীংদা দখলগী মতুংইন্না নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২২/০২/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চৎথরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

*HL-P/553/15*

ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচরি




Zomi Villa Gate, North A.O.C. Awang B.O.C. Traffic Mamang, Minuthong Road তা লৈবা Contact Nos. ☎ 9862264404, 8974333795, Cairopathic Treatment গী ওজা **Mohd. Riyajuddin** বু থাগৎচরি। ঐহাক মতম শাংনা পাইলসনা নাদুনা ঈ তাবা, পোম্বদুনা য়াম্না ৱানা খাঙদুনা লৈরক্লবনি। অদুবু ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনগী ওইনা পাইলসকী গুরু ইহান হানবনি হায়দুনা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মচা অমনা হায়বীরকপদগী তান্নজবনি। অদুমকসু চুম্না ওইখি। হৌজিক্তি মপুনা থৌজাল তৌবীদুনা য়াম্না নুংঙাইজরে। ওজা ইবুংঙোবু মপুগী মীংদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

*থাগৎচরিবা :* **M. Tombi**
***Chingamakha*** ☎ **8787888686**

*HL-P/550/15*

**ꯊꯥꯒꯠꯄ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ মনুংদা চিকপা শাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোং শেংনা হামদোকপা য়াদবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ মনুংদা চিকপা শাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোং শেংনা হামদোকপা য়াদবা, শা-ঙা থাউ মোরোক চারগনা হেন্না পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎলগা নাবা, ফম্বী শোনবা, খোং হাম্বদা অমাংথোঙ খুজিল্লগা চিকপা নাবা, ঈ তাবা, খোঙ-খূৎ শিথবা, পোৎ-চৈ পায়বা ঙমদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, তাং-তাং চিকপা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, মসলশিং তোয়না চিকপা নাবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চাবা, ফম্বা ঙমদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal (7 am to 5 pm. 2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Mon. only open). 3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar (6 am to ?)

*থাগৎচরিবা :* **Y. Menaka**
*Pangei*

*HL-P/510/15*

**COMET SCHOOL**

A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140

**Situation Vacant**

30/01/2018

No. CSA/2018/01 Applications are invited from the interested candidates on the following posts:

| Sl. | Name of Post | Age | Qualification | Minimum Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | M.I.L.(Manipuri) | 38 | M.A. | Rs. 18,000/- per month (E.P.F) |
| 2. | Mathematics | | M.A./M.Sc. | |
| 3. | Biology | | M.Sc. | |
| 4. | Chemistry | | M.Sc. | |

- Prescribed application form and detailed information may be obtained from the office on payment of Rs. 300/- of the undersigned during office hours.
- Mode of selection: written test, interview & class demonstration.
- Last date of issue & submission of application forms : **16th Feb, 2018 till 12:00 noon.**
- Date, time and place of interview : **17th Feb, 2018, 10:00 a.m.** in the school premises.
- Please bring all the original documents for verification.

Sd/- Principal,
COMET SCHOOL

HL-B/4496/14&15